# অসামগী সিএম হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মনা ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট ক্লিনলিনেস কন্টেষ্ট লাউথোকখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৭ (এজেন্সি):

অসামদা ক্লিনলিনেসকী প্রেক্তিস পুক্লিং থৌগৎনবা লৌখৎলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব শর্ম্মনা ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্কা শরুক য়াগদবা ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট স্বাছতা কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।




কম্পিটিসন অদুদা মায় পাক্লবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লুপা ক্রোর ১০০ পীগনি অমসুং শেনফম অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ইরাই নুমিত্তা ঘোলাগাট দিষ্ট্রিক্টকী খুমতাইদা পাঙথোকখিবা ফঙ্কসন অমদা লাউথোকখিবনি।

সিএম শর্ম্মনা হায়খি, মদুদি ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট ক্লিনলিনেস কম্পিটিসন অদু অসামবু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী তরু তনানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা পায়খৎলকপনি। কম্পিটিসন অদু মওং মরিল তানা কন্দক্ট তৌননবা ব্লু প্রিন্ট অমা শেল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা খুমতাই কন্সটিটুয়েন্সিগী মফম অহুমদা চৎতুনা জিলা পরিষদ কন্সটিট্যুয়েন্সি (জেদ পি সি) এরিয়া মরি হায়বদি ব্রহ্মপুত্র জেদ পি সি, খুমতাই জেদ পি সি, কোথালগুরি জেদ পি সি অমসুং দখিন হেঙ্গেরা জেদ পি সিগী ইন্টর-ভিলেজ অমসুং ইন্টর-টি গার্দেন ক্লিনলিনেস কম্পিটিসনগী রিজল্টশিং লাউথোকখি।

কম্পিটিসন অদুগী মনুং চন্না জেদ পি সি এরিয়া খুদিংমক্তগী ভিলেজ মঙা অমসুং টি গার্দেন অহুম খনগৎখি। ক্লিনলিনেসকা মরী লৈনবা মখোয়গী পার্ফোমেন্সপু শকখঙদুনা ভিলেজ মঙা অদু খনখিবনি। অহানবা পোজিসন ফংলিবা ভিলেজ অমসুং টি গার্দেন অদুদা কিমি অনীগী লন্থী শেন্থদা চঙবা শেনফম মনা ওইনা পী অমসুং অনীশুবা পোজিসন তারিবশিং অদুনা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লাক্ষ ২০ পী অমদি অহুমশুবা পোজিসন ওইনা তারিবা অদুনা লুপা লাক্ষ ১৬ পী, মরিশুবা পোজিসন হোল্ডর অদুগী প্রাইজনা লুপা লাক্ষ ১০ নি অমসুং মঙাশুবা পোজিসন হোল্ডর অদুগীনা লুপা লাক্ষ ৬ নি হায়রি।

পীরিবা প্রাইজকী শেনফম অদুগী তঙ্খায় অমরোমদি লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মেম্বর ম্রিনাল সাইকিয়ানা মহাক্কী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী পীগনি অমসুং অৱাৎপশিং অদুনা অসাম গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কনি।

থৌরম অদুদা সিএমনা খুমতাই কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বোর্টিকা এরিয়াবু ভিলেজ অদুগী মাইক্রো ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুৱারি ওইনা লাউথোকখি অমসুং গভর্ণমেন্টগী নেচরগা চান্নবা পান্দমশিং ফঙননবা এরিয়া অদুদা বনয়ান চারাশিং থাবগী দ্রাইভ অমা লোঞ্চ তৌখি।

বোর্টিকাদা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা ফঙ্কসন অহুমদা ৱা ঙাঙলদুনা অসামগী সিএমনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অসামদা তরু তনানবা অমসুং ঈশং শংবা ইনভাইরনমেন্ট অমা শেম্নবগী মায়কৈদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্লি। অসিগুম্বা ইনভাইরনমেন্টদা মীয়াম্না নেচরগা চান্নবা মওংদা মশা মউ ফনা লৈবা য়াগনি।

ক্লিনলিনেসকী কম্পিটিসন অমা লোঞ্চ তৌদুনা ঘোলাগাট দিষ্ট্রিক্টকী খুমতাইনা ষ্টেট অসিগী ওইনা ক্লিনলিনেসকী মতাংদা খুদম চাংদম অমা ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।




দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি কামজোংনা শিন্দুনা চিংমৈরোংগী অদিমজাতি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল অশা কনভেন্সন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং

# ঐচ এস এল সি পেপর লিক কেসতা চেন্নবা লক্ষিম্পুরগী ওজা সরেন্দর তৌখ্রে, মীওই ২৭ ফাগৎখ্রে

নোর্থ লক্ষিম্পুর, মার্চ ১৭ (এজেন্সি):

অসামগী ঐচ এস এল সি একজাম পেপর লিক ওইখিবগী কেসতা চেন্নবা মরু ওইবা এক্যুজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কুমুট রাজখুৱা ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা নোর্থ লক্ষিম্পুর সদর পুলিস ষ্টেসনদা সরন্দের তৌখ্রে

লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী দফালা কাটা হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর রাজখুৱা অসাম পুলিসকী দিজিপি জি পি সিংহনা কৌবদগী সরেন্দর তৌখিবনি। মমাঙদা শগোলশেল নুমিত্তা পুলিসনা পেপর লিক কেস অদুগী অতোপ্পা এক্যুজ অমা লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টতা ফাখি।



লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী লোহিট-খাবোলু হায়স্কুল একজামিনেসন সেন্টরগী ওফিসর-ইন-চার্জ প্রনাব দট্ট হি অমা তোংদুনা মাজুলিদা চেন্নবা হোৎনরিঙৈদা ফাখিবনি। অসাম পুলিসকী সি আই দিগী মতুং ইন্না রাজখুৱা অমসুং দট্ট অনীমক সেকেন্দরি এদুকেসন বোর্দ ওফ অসাম (এস এ বি এ) না কন্দক্ট তৌদুনা হৌজিক চথুরিবা ঐচ এস এল সি একজামগী জেনরেল সাইন্স অমসুং অসামিস ক্বেসন পেপরশিং লিক ওইখিবগা হকথেংননা চেন্নে।

দিজিপি জি পি সিংহনা হায়খি, মদুদি মৈনা চাকখ্রবা ক্বেসন পেপরশিং অদুগী লৈহৌরিবা শরুকশিং দট্টগী য়ুমদগী রিকোভর তৌরে অমসুং পোৎশকশিং অদু ফোরেন্সিক একজামিনেসনগীদমক থারগনি। কুমুট রাজখুৱা অসি দট্টগা য়াম্না নকশিন্নবা মীওইনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ঈশিংদা হূ থাজিল্লম্বদগী ঙা কয়া শিরে

নোংপো, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):

মেঘালয়গী রিভোই দিষ্ট্রিক্টকী উমটি পাইলুন ভিলেজদা লৈবা উমিয়ান পাৎকী মশা অমদা হূ থাজিল্লম্বদগী ঙা কয়া শিরম্বা থেংনরে হায়রি।

পাৎকী মশা অদুদা হূ থাজিনখিবনি হায়নরিবা মীওই খরগী ৱাখল য়াওদবা থবক থৌওং অদুবু উমটি পাইলুন অমসুং খাসি ষ্টুদেন্টস (কে এস য়ু) য়ুনিটনা কন্দম তৌখ্রে।

পোইজনিং অদুনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ঙাশিং শিখিবনি। ওর্গনাইজেসন অনী অসিনা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা পাৎকী ঈশিংদা মখল খুদিংগী হূ থাদবা, লাং থাক্তুনা ঙা ফাবা নত্ত্রগা কন্ট্রিমেদ গ্রেনেদশিং পাৎতা লংশিন্দুনা ঙা ফাবনচিংবা অথিংবা থমখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিংগী মায়োক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎননবা শেং শমলা উমটি পাইলুন অমসুং কে এস য়ু উমটি য়ুনিটনসু দিমান্দ তৌখ্রে।

## হিদাক মনাগী পোখোকশিংদা অথিংবা থম্বদা তুমিন্না লৈশিনবগী গভর্ণমেন্টবু চৈখ্রে

দিমাপুর, মার্চ ১৭ (এজেন্সি):

নাগালেন্দদা হিদাক মনাগী পোখোকশিং য়োনবদা থাঙ্গোনা লূচিংবা এন এস সি এন (কে) না অথিংবা থম্বগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিনবগীদমক ইরাই নুমিত্তা দিমাপুর চেম্বর ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (দি সি সি আই) না নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টবু চৈখ্রে।

ট্রেদরশিংগী বোদি অসিনা হায়খি, মদুদি আউটফিট অদুনা নাগালেন্দদা হিদাক মনাগী পোখোকশিংদা অথিংবা থম্বা চয়োল অমা ফারবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা করিমত্তা হায়দনা তুমিন্না লৈশিনবা অসিনা ঐখোয়বু থম্মোয় শোকহনবগা লোয়ননা নিংবা কায়হল্লে।

পীফম থোকপা টেক্সশিং পীরবা মতুংদা লোনা য়াবা মওংদা য়োল্লিবা হিদাক মনাগী পোখোকশিংদা চোল্লপ্পা অথিংবা থল্লিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা দুকান তৌরিবা মীওই লিশিং কয়াগী হিংনবগী লন্থীদা চাওনা শোকহল্লগনি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা দি সি সি আইনা হায়খি, মদুদি হিদাক মনাগী পোখোকশিং নাগালেন্দ লিক্কর টোটেল প্রোহিবিসন (এন এল টি পি) এক্টকী মখাদা ষ্টেট অদুদা হান্নদগী অথিংবা থমখ্রবা লোনা য়াদবা দ্রগশিং নত্ত্রগা অলকোহোলগা মান্নহল্লোইদবনি।

হিদাক মনাগী পোখোকশিং অসি সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী পর্মিসন অমদি মপুং ফাবা নোলেজ য়াওনা য়োল্লিবনি হায়বসি দি সি সি আইনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা ট্রেদরশিংগী বোদি অসিনা হায়খি, মদুদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হিদাক মনাগী পোখোকশিংদগী রিভেন্যু চাওনা তাল্লিবা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনসু মখোয়দগী ফঙফম থোকপা জি এস টিগী স্যের ফঙলি।

মখা তানা দি সি সি আইনা হায়রি, মদুদি হিদাক মনাগী পোখোকশিং য়োনবদা অথিংবা থম্বা অসিনা ব্লেক মার্কেটিং লাকহনবা নত্তনা অতৈ কান্নবা পুরক্লোই। অথিংবা অসিনা মরম ওইদুনা পোখোকশিং অসিগী মমল হেনগৎলক্কনি। হৌজিক হিদাক মনাগী পোখোকশিং পীফম থোকপা টেক্সশিং পীরগা য়োনবা লিগেল নত্ত্রগা ইল্লিগেল ওই হায়বগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অমা লৌজগদবনি হায়না বোদি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দি সি সি আইনা হায়রি, মদুদি হিদাক মনাগী পোখোকশিংগী দিল্লরশিং, দিষ্ট্রিব্যুটরশিং অমসুং দুকান মচা মচা ফমদুনা পোখোকশিং অসিবু য়োঙ্গরিবা মীওই লিশিং কয়াগী শেন্দাল লন্থীদা অথিংবা অসিনা চৈথেং পীরক্লিবা অসিদা গভর্ণমেন্টনা তুমিন্না লৈশিনবা চুমদে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং মসিগী এজেন্সিশিংনা হিদাক মনাগী পোখোকশিংগী দিল্লরশিং অমদি দুকান ফল্লিবশিং অথিংবা অদুনা মরম ওইদুনা শোকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না দি সি সি আইনা দিমান্দ তৌখি। বোদি অসিনা এন এস সি এন (কে) দা ষ্টেট অদুগী মরু ওইনা বিজিনেস কম্ম্যুনিটিগী ইন্টরেষ্টতা অথিংবা অদু লৌথোক্লবসু আপিল তৌখি।

# সিক্কিমগী দেলিগেসন অমনা অরুনাচলগী ই-আই এল পি সিষ্টেমগী মরমদা খঙনবা হোৎনরি

ইটানগর, মার্চ ১৭ (এজেন্সি):

টুরিষ্ট ই-আই এল পিশিং অমসুং ওনলাইন আই এল পি প্রোজেক্টকী মরমদা লৈরিবা খঙফম থোকপা নোলেজ লৌননবগীদমক শগোলশেল নুমিত্তা সিক্কিম গভর্ণমেন্টগী দেলিগেসন অমা ইটানগরদা থুংখ্রে।

ই-আই এল পি সিষ্টেম সিক্কিমদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক্তগা দেলিগেসন অদুনা সিষ্টেম অসিগী মরমদা মুন্না খঙদোক্লবগীদমক ইটানগরগী খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লিবনি।

পোলিটিকেল প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কালিং টায়েংনা চিয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দেলিগেটশিং অদুবু ষ্টেট অদুগী দিমোগ্রাফিগী মতাংদা অমদি অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা আই এল পিশিং ইস্যু তৌবগী খ্বাইদগী ফবা পেকেজশিংগী মরমদা ব্রিফ তৌখি।

হন্দক্তা লোঞ্চ তৌখিবা টুরিষ্ট ই-আই এল পি পোর্টেলগী মতাঙদসু মখোয়না কুপ্না খন্নখি। মসিদা নত্তনা আই টি এন সি দিপার্টমেন্টনা দিভলপ তৌখিবা পোর্টেল অদুগী অকুপ্পশিংগী এক্সপ্লেসন অমসুং দিমোন্সট্রেসন অমসু প্রজেন্ট তৌখি। অরুনাচল গভর্ণমেন্টগী ইনিসিএটিব অদুবু থাগৎলদুনা দেলিগেটশিং অদুনা সিক্কিমদা টুরিষ্ট ই-আই এল পি সিষ্টেম ইমপ্লিমেন্ট তৌনিংবগী অপাম্বা উৎখি।

পনবা য়াবদি, অরুনাচলগী টুরিষ্ট ই-আই এল পি পোর্টেল অদু কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ১৭ তা চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা লোঞ্চ তৌখিবনি। পোর্টেল অদু লৈবাক অসিদা মায়কৈ কয়াদগী শীংথানখিবগা লোয়ননা 'বেষ্ট গভর্ণমেন্ট টু সিটিজন - সেন্ট্রিক সর্ভিস এপ্লিকেস' গীদমক নেসনেল লেভেলদা এৱার্দ অনী ফঙখি।

## CROSSWORD-3816



**ACROSS**

1. Emotions(8)
6. Raincoat(3)
9. Ascend(5)
10. Bird with a big bill(7)
11. Raise(7)
13. Routine task(5)
14. Easily irritated or annoyed (6)
15. Important person(4-2)
18. Loafer(5)
20. Loss of memory(7)
21. Examine(7)
22. Selected as the best(5)
23. Positive answer(3)
24. Adolescent(8)

**DOWN**

2. Distinguished(7)
3. Scientist's workplace(3)
4. Male relative(6)
5. Choice(9)
6. Exaggeratedly masculine(5)
7. Pondered upon(12)
8. Strange and unconventional behaviour- (12)
12. Repugnant(9)
16. Unfriendly(7)
17. Farm livestock(6)
19. Endures(5)
22. Historical period(3)

**Solution 3815**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5114**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 6 | | | | | 4 | | |
| | 9 | | 2 | | | | 3 | |
| | | | | | 5 | 6 | 1 | |
| | | | 4 | 5 | | | | 2 |
| | 5 | | 3 | | 8 | | 4 | |
| 2 | | | | 9 | 1 | | | |
| | 3 | 9 | 5 | | | | | |
| | 7 | | | | 4 | | 8 | |
| | | 8 | | | | | 9 | 5 |

**Solution-5113**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 4 | 8 | 6 | 9 | 3 | 7 | 2 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 5 | 4 | 1 | 6 | 9 |
| 9 | 3 | 6 | 1 | 7 | 2 | 8 | 5 | 4 |
| 3 | 4 | 7 | 9 | 2 | 6 | 5 | 8 | 1 |
| 2 | 6 | 9 | 5 | 8 | 1 | 4 | 3 | 7 |
| 8 | 1 | 5 | 4 | 3 | 7 | 9 | 2 | 6 |
| 6 | 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 5 | 7 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 | 4 | 8 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 1 | 8 | 6 | 9 | 5 |

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023
Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NORTHEAST FRONTIER RAILWAY RECRUITMENT 2023 FOR FEMALE DANCER, TABLA PLAYER

Vacancy Circular No: 01/2023

Northeast Frontier Railway (NFR) Female Dancer, Tabla Player Recruitment 2023
Advertisement for the post of Female Dancer, Tabla Player in Northeast Frontier Railway (NFR). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21st March 2023. Candidates can check the latest Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment 2023 Female Dancer, Tabla Player Vacancy 2023 details and apply online at the nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment 2023 page.
Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nfr.indianrailways.gov.in/. Northeast Frontier Railway (NFR) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Female Dancer, Tabla Player
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781011 Assam
Last Date: 21st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have 12th (+ Stage) or its Equivalent Examination with not less than 50% Marks
Pay Scale:
INR
144200/- Per Month
Age Limit: 18-30 Years.
Application Fee:
For All Candidates - Rs.500/-.
SC / ST / Ex-Servicemen, PwBD, Women - Rs.250/-.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to Northeast Frontier Railway (NFR) office. Send your fully filled applications to
Senior Personnel Officer (Recruitment)
Office of the Principal Chief Personnel Officer,
Northeast Frontier Railway HQ, Maligaon,
Guwahati - 781011 (Assam), India. (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.26).
Important Dates:
Published on: 8th March 2023
Last date for application is: 21st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

